# শা-ষণ য়োকপদা চেজনবা

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**

ঐখোয়গী লমদমসিদা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু কয়া অমা য়োক্লরি অদুবু য়োক্লিবা খুদিংমক মওং মরীল নাইনা য়োকপা হৌবদগী হৌনা চেজনবগী হৈনবীসি কয়া উবা ফংদে। য়োক্লিবা খুদিংমক্কী চেজনবা হায়বদি রেকোর্দ থম্বসি য়াম্না মরুওই। রেকোর্দ থম্বীবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি য়োক্লিবা খুদিংমক্কী মরী মখোঙ কয়া অমা ইদুনা থম্বীহৌরগা মদুদগী পায়খৎকদবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়াই। রেকোর্দতা শা-ষণ য়োকপদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ইশিনবীবা, মাগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, মপু/ডোক্তরশিংনা তৌরিবা থৌদাং কয়া অমা ইশিনবা য়াই। রেকোর্দশিংসি শা-ষণ মপুশিংনা নিংথিনা, ফজনা অমদি চুম্না ইবা মথৌ তাই।

রেকোর্দতগী পীরিবসি ঃ

- ফার্মদুদা য়োক্লিবা খুদিংমক শেন্দোং লৈবা ঙল্লিব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- কাউখ্রবা হীরম খুদিংমক অমুক নীংশিংহন্দুনা মখা চত্থবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দ য়েংলগা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পীবা ঙমহল্লি।
- অনৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা য়োক্লিবা খুদিংমক্তা চঙলিবা ময়ামদু রেকোর্দকী মতেংনা কান্নরিবরা কান্নদ্রিব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা হান্নদগী শোথরল্লবসু মসিদগী হেন্না/ফনা থম্লবা মওংদা শেম্বীবা য়াই।

রেকোর্দকী কান্নবশিং ঃ

- লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী শক্তাকপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা অফবা শা-ষণ খনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- রেকোর্দকী মতেংনা নক্লবা ঈ মরীগী মচা লৌহন্দবা ঙমহল্লি।
- ফার্মদুদা লৈরিবা অফবা শা-ষণ খন্দোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- ফার্ম শেন্নরিবা শিন্মীশিংসু রেকোর্দকী মতেংনা নিংথিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা লায়না লায়ওং কয়া খঙদোক্তুনা অমুক হঞ্জিন্না লাক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবা ঙমহল্লি।
- অমাঙ অতোঙ কয়া অমসু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- শা ষণগী পুথোরল্লিবা পোত্থোক কয়া অমা রেকোর্দকী মতুংইন্না মমল তিক্লরগা য়োনবা য়াই।

রেকোর্দকী মখল ঃ মরুওইনা রেকোর্দ মখল খরা ঃ (ক) শক তাকপগী রেকোর্দ ঃ করিগুম্বদা শা ষণশিং মশীং য়ামদনা থম্বা ওইরগদি শক তাকপগী রেকোর্দ থমদ্রগসু য়াই। য়াল্লগদি লায়না খঙবা ঙম্লবা শা-ষণ খুদিংমক্তা ট্যাটু তৌবা, মৈ ইকপা য়োৎনা হকচাংদা নম্বীবা, মনাদা নম্বর নম্বা নৎত্রগা কাচি কারোং শেমদুনা ককপা, মনাদা নম্বর য়াওবা থেৎপা, মমৈদা মশক খঙনবা থেৎপা অসিনচিংবা কয়া অসি তৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মঙক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী থৌরি থুবা নৎত্রগা মশাদা কোক্তবা মচু কয়া শঙবা অসিনসু শক তাকপগী রেকোর্দ ওইবা য়াই।

(খ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ মসিগী রেকোর্দসি য়াম্না মরুওই। মসিনা মচা লৌখ্রবা পুথোরক্কদবা পোত্থোক ময়াম অমা খঙবা ঙমহল্লি। ষণবুশিংনা চহী অমদা মচা অমা পোকপা হায়না পানরি। ওক্লা চহী অমদা মচা অনীরক পোকপা হায়না পান্নরি। করিগুম্বদা মচা লৌবগী রেকোর্দ ময়াম অমা থল্লগদি লৌখ্রিবা শা-ষণদুদা থোক্লক্লিবা অশোয় অঙাম ময়াম অমা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদা হীট লাকপগী মতম, মচা লৌবগী মতম, করিগুম্বদা মচা কায়রকপা, মসিদা তৌবিহৌবা চেকশিন থৌরাংশিং, ময়াম অমা রেকোর্দকী মতুং ইন্না খঙদোকপীহৌরগা তুং কোয়না থমহৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমা খন্দোকহৌবা ঙমহল্লি। অসিগুম্বা ব্রিদিংগী রেকোর্দসিদা লৈরিবা শা-ষণদুগী মমা মপা, মপু মবেনগী মরমদা ইশিনবীহৌবা মচা লৌখিবগী, পোকখিবগী, চহী কয়া শুবদা অহানবা চাবোক ওইখিবা, থংননা পোকপা চাবোক অনী মতম অমদি পোক্লিবা মচাদুগী মরমদা হায়বদি পোকপগী মওং মতৌ, মচাদুদগী অরুম্বা অসিনচিংবা ময়ামসি রেকোর্দ ওইনা থম্বীবা য়াই।

(গ) পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দ ঃ শা-ষণ, য়েন কয়া লোয়দুনা ফংলক্লিবা পোত্থোকশিংসি রেকোর্দ তৌশিনবীদুনা নোংমগী নৎত্রগা হাপ্তাদুগী নৎত্রগা মতম খরদুগী অমাং অতোং খঙদোকপদা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণদুনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংদু য়েংলগা তুং কোয়না থম্বদা কান্নরিবরা কান্নদ্রিবরা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।

মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ

মচিঞ্জাক্কী রেকোর্দতগী ঐখোয়না শা-ষণদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুগী মখল কয়া য়াম্না পীজখিবা অমদি মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটিগী মরমদা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না নোংমদা চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না কয়াম য়াম্না পীজবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা কয়াম লেন্মী/মাঙই হায়বদুসু খঙবা ঙমহল্লি। পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দকা মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দকা য়াম্না মরুওই। মরমদি পুথোরক্লিবা পোৎথোক হায়বদি শঙ্গোম কয়াম পুথোকপগে হায়বদুগী মতুংইন্না পীজবীগদৌরিবা মফোনগী শরুক অদু হেনবা, ৱাৎনা পীজবীবা য়াই।

লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ

লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দসিনা মমাঙদগী কয়াম য়াম্না লায়না লায়োঙ উৎখ্রগে অমদি লায়েংবগী মওং খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা অমুক হঞ্জিন্না নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদগী তোঙান তোঙানবা শা-ষণগী হকচাংগী ফীভম খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মতম চানা টিকা থাবা, তীলহাৎ হীদাক থাবা ঙমহল্লি। রেকোর্দসিগী মতেংনা থাখ্রবা হীদাকশিংদুগী মতুংইন্না পুথোক্লিবা শা-ষণগী পোত্থোকশিংদু কয়াম কুইনা মীওইবনা চাবা য়াদবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ থম্বা মতমদা লায়না লাকপগী নুমিৎ, টিকা থাবগী, তীলহাৎ হীদাক থাবগী, শিখ্রগা পোষ্ট মোর্টেমগী রিজল্ট কয়া অমা হাপ্পীগনি।

মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ

শা-ষণ য়োকপদা চঙখ্রিবা অমদি লাক্লিবা খুদিংমক রেকোর্দ থম্বীগনি। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংগী অমাঙ অতোং খঙদোক্লগা ফার্মদুগী ৱারেপ কয়া অমা লৌবা ঙমহল্লি।

রেকোর্দ শেম্বগী মওং খরা ঃ

ক) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ

| ষণ নং: | | | | |
|---|---|---|---|---|
| অকোনবা মচা পোকপা | ডোক্তরনা য়েংবা নুমিৎ | য়েংবগী রিমার্ক | মচা লৌবা নুমিৎ | মচা পোক্কদবা নুমিৎ |
| | | | | |

খ) লায়না লাকপা অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ

| নুমিৎ | শা নং | লায়না মখল | লায়েংবা মওং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

গ) টিকা থাবগী রেকোর্দ

| নুমিৎ | টিকা থাবা | টিকাগী মখল অমদি চাং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

ঘ) তীল হীদাক থাবগী রেকোর্দঃ

| নুমিৎ | তীল হীদাক থাবা | তীল হীদাক মমিং অমদি মখল | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

ঙ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ

| নুমিৎ | শা মশীং | মচিঞ্জাক পীজবা (কেজি) অয়ূক্তা নুমিদাংৱাইরম পূন্না | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

চ) ষণাও মচাগী রেকোর্দ ঃ

| নং | পোকপা নুমিৎ | লাবা/অমোম | মপা নং মমা নং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

অসুম্না শা-ষণ লোইবিরিবশিংনা রেকোর্দ নীংথিনা থম্বীরগদি মতম মতমগী ওইবা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা শা-ষণ য়োকপা ঙমগনি। ●

# নোংগী ঈশিংতবু শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবা পাঙথোকপা মফমশিংদা খুদোংচাগদবা থৌওং অমা ওইনা ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোত্থা পাঙথোকপা

**ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্দবা য়ারক্ত্রে। লৌমীশিংনা অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদবা য়ারক্ত্রে। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌবুকশিং অসি মতম হাঙহন্দনা সিঙ্গল ক্রোপিংদগী দবল ক্রোপিং অমসুং মল্টিপল ক্রোপিংনচিংবা তৌদুনা পোত্থোক মরাং কায়না, শেন্দোং লৈনা পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে। মণিপুরদা অঙনফৌ থাবগী চাং অসি অসুম অসুম হন্থরক্লিবগী মরুওইবা মরমশিংদি চানবা মখলগী ফৌ মখল ফংদবা, ফৌ মুনশিল্লকপা মতমদা নোং কন্না চুবা অমদি তুথদুনা ফৌ ময়োন চোংবা, চহী অমদা ফৌ অমুক্তং থাবনা অনীরক থাবদগী চাথোক হেনবা, ইরিগেসন ফজনা লৈতবা, লোক্তা হাইদ্রেল প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা লোক্তাক অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়া পাকথোরক্তুনা লৌ উবা য়াবা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবা অমদি লৌবুক কয়া ঙায়োক পুখ্রি ওন্থোকখিবা অসিনচিংবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎ ময়াদা লৌউ-শিংউবগী থবক অসি ঈশিং ঈচাউগী মখা পোনবা মরম্না লৌমীশিংদা নিংহন্নবা হেক হেক পোকহল্লি। মমাঙৌগী মতমদদি মীশিংসু য়াল্লমদে, লমসু মরাং কায়না লৈরম্মী। মরম অদুনা লৌউ অমুক্তং উনরম্মী অমদি করিগুম্বা নাতে চাদবা নোং-চীং মরাং কায়না চুদবা চহীদা অমুক্তং উরিবা লৌ অদু ফাওবা লোকপা নিংথিনা ফংদবা অমসুং লৌফম অদু চহী চুপ্পা হাংদুনা লৈবা ফাওবা য়াওনরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী মতমদদি লৌখক্তমক উরগা লৈরম্বা লৌফম অদুদা ঙাসু য়োকপা অমদি অতোপ্পা পোৎথোক লৈবা হায়বদি হঙ্গামগুম্বসু থাদুনা চহী অমদা পোত্থোক অহুম্লক ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। অসুম্না তৌদুনা শেন্দোং লৈনা অমদি পোত্থোকসু মরাং কায়না ফংগদবা থৌওংশিং পায়খৎপগী মতম ওইরক্লে।

মতাং অসিদা থমজনীংবা থৌওং অমদি অঙনফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা থাজিন্দুনা ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা ফৌ থাদ্রিঙৈদা হঙ্গাম অমুক হুন্দুনা ত্রিপল ক্রোপিং তৌবীবা অসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফৌ থাবদগী হঙ্গাম হুনবা অমসুং ঙা য়োকপনা হেন্না শেন্দোং ফংবা ঙম্মী। থৌওং অসিদা য়োকপা য়াবা ঙাশিংদি নাপী চাবী, সিলভর কার্প, রৌ, ম্রিগল, পুকলাওবী অসিনচিংবনি। ফৌ খরা থুনা ফৌ লাকপা য়াবা মখল হায়বদি মপান্দগী পুশিল্লকপা হায়ব্রিদ ফৌ মখলশিংনা হেন্না চানগনি।

করিগুম্বা লৌফম অমদা ঙা য়োকপগা, ফৌ থাবগদমক পাঙথোকপীগে হায়রবদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা শেমদুনা লৈরবা লৌহোনশিং শীজিন্নদুনা সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসনগী থৌওং শীজিন্নদুনা ফৌ অমুক থাবীবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিদদি লৌ খোইদ্রবসু য়ারে। হার হাপ্পীদ্রবসু য়ারে। শুপ্নতগী লৌফম শেম্বীরগা লৌহোনশিং অমমমতা ওইনা থাবীবা য়ারে। ঙানা লৈরম্বা পুখ্রি অদুদা ঙাগী মথি, লেমহৌবা মচিঞ্জাক অমদি পথ্থ-পুমথরকপা পোৎশকশিং তুংদুনা লৈবা মরম্না ফৌগীদমক্তা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী। হায়রিবা থৌওং অসি সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসনগী থৌওংশিংদগী খরা খজিক খেন্নরবসু মসিগী মওংসিদা থাবনা য়াম্না হেন্না কান্নে অমদি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা অমুক য়োকপদসু খুদোংচাবা য়াম্না হেল্লি।

করিগুম্বা হঙ্গাম হুনবীগে হায়রবদি নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদগী দিসেম্বর থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা হুনবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ অমদি অঙনফৌ থানবগীদমক্তসু খুদোংচাবা হেল্লি। ঙা ফর্ম মনুংদদি মফমদু অমুক খোইদোকপগী মথৌ তাদ্রে। ঙা ফানবগীদমক্তা ঈশিং শিৎতোকখিবদগী খরা খরা কংলকপা মতম চোৎলি-চোৎলি তৌরিঙৈ মতমদা হুনবীবা য়ারে।

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালগী সাইন্টিষ্টশিং অমদি লৌমীশিংগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পাৎলৌ ওইনা তৌবা মফমশিংদা চত্থখিবা চাংয়েংশিংগী মতুং ইন্না ফৌ, ঙা অমদি হঙ্গামগী অওন পোত্থা অসি পাঙথোকপদা ফৌদগী ফংবা শেন্দোং অসি লুপা ১১,৬৫০নি। হঙ্গামদগী ফংবা শেন্দোংনা লুপা ১৭,৩০০০নি। অদুগা ঙাদগী ফংবা শেন্দোংনা লুপা ৯০,৪০০নি। অঙনফৌ লৌউ পথাপ অসি পাঙথোকপদা শেন্দোং য়াম্না লৈতবা অমদি খূৎশুমলনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরমশিং অসি লৈবনা অয়াম্বা লৌমীশিংনা অঙনফৌ হায়বদি অহানবা লৌরোক অসি উবদা থৱায় য়াওনরক্তবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি চত্থরবদি লৌমী কয়াগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমগনি।

চাকনা ঐখোয়গী মরুওইবা চিঞ্জাক অমা ওইবনিনা লৌ উবা হায়বসিসু পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। তৌইগুম্বসুং ঙা য়োকপনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি হায়দুনা লৌ উনরিবা লৌবুকশিংবু ঙায়োক পুখ্রিশিং ওন্থোকপা কয়া থেংনরি অমদি মসিনা মরম ওইদুনা লৌ উনবগী লৌফমশিং হন্থরকপা অমদি ফৌগী পোত্থোক হন্থরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপা মতমদা শেল চংবগী চাং হন্থহল্লি, পোত্থোক হেনগৎহল্লি, মীওই কয়াবু শিনফম পীবা ঙমহল্লি অমদি মফম অমত্তদগী পোত্থোক কয়া পুথোক্তুনা মফম অদুবু চহী চুপ্পা হাঙহন্দনা শীজিন্নবগী খুদোংচাবসু পীরি। মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবসু য়াগনি। তৌবতবু লৌফম অদু খরা খজিক শেমদোক-শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবদি লৈ। লৌ মরক্তা ঙা থাজিন্দুনা য়োকপগী কান্নবা কয়াসু লৈ। অসুম্না লৌ উনরিবা লৌফম কয়াদা ঙা খজিক খজিক্তা ওইরবসু লৌ মরক্তা থাজিন্দুনা য়োক্লবদি মণিপুরগী ওইনা ঙাগী পোত্থোক্কী অৱাৎপা অসি মেনখৎপা ঙমগনি। হৌজিক লৌমী অয়াম্বনা লৌ উননবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌনরল্লগনি। মতাং অসিদা ঙাসু থাদবগী থৌরাং লৌখৎপীদুনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎপদা শরুক য়ামিন্নরসি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি ইরিগেসন হায়বদি ঈথৈ লৌখোং ফজনা লৈতবা মফমশিং, নোংগী ঈশিং শীজিন্নদুনা লৌ উবা মফমশিংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওংশিংনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোকপদা খুদোং চাগনি। ●

# ফৌদা তাগনবা তীল অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্থে -৬

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

ফৌখোক্তা লংবী (Sheath blight, Rhizoctonea solani) : লায়না অসিগী লায়ওং অসি ফৌনা মচা পোকপা মতমদগী হৌরগা ফৌনা মখোম হনবা হৌবা মতম ফাওবা উবা ফংই। লায়না অসিগী লায়ওং অসি য়েরুম মওং মান্না শংলপনা কোয়বা নৎত্রগা ইলিপটিকেল নৎত্রগা মওং মরীল নাইদবা ময়ায় অদুদা চরূ মচুদা ৱাওথবা অদুগা মপান অদুনা মুশিন্না ৱাওথাংনবা নৎত্রগা অমুবা মচুগী ফিবান লৈগনি। মসি অহানবদা ঈশিং ঈমায়গী হেক মথক্তা উগনি। অদুগা মখা তারকপদা মনাগী মথক থংবা শরুক্তসু উরক্কনি। লায়না অসিগী লায়ওং নিংথিনা উৎথোক্লবা ফৌনাশিংদু য়েংবদা লিলাবোপকী মরাং মরাং লাংবদু মানগনি। লায়না অসি নুংশাগী মৈশাদা ২৮-৩২°সীগী চাংদা শাবা, নাইট্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না চাইবা, ফৌ হৌরিবা মফমগী অকোয়বদুগী নুংশিত্তা য়াওবা ঈনিলগী চাং অসি ৮৫-১০০% ওইবা মফমদা থেংনগনি। লায়না অসি নোংজু থাদনা হেন্না তোইনা থেংনগনি। অমরোমদা অমুক লায়না অসি হেন্না কুংনা থাবগা লোয়ননা য়াম্না নহৌনবা লৌফমদা তোয়না থেংনবা লায়নানি। লায়না অসি ব্লাষ্টকী হেক মতুংদা ফৌথোক য়াম্না হন্থহনবা ঙম্বা লায়না মখল অমনি। ফৌ পান্বীগী অরোইবা মনা ফাওবা লায়না অসিগী কোকফাইনা শোকহল্লবদি ফৌগী পোৎথোক চাদা ২৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। করিগুম্বা ফৌ মরূ হানবা হৌরকপা মতমদা লায়না অসিনা তাশিল্লকপা ওইরবদি ফৌ চরোংগী মখা থংবা শরুক্কী ফৌশিং অদু মপূং ফানা মরূ চংদবা থেংনগনি। লায়না অসিগী কোকফাইগী মসা মরেং (Mycelium) নৎত্রগা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোক্লবা মরূশিং (Sclerotia) শিংদু লৈবাক্তা শাইদাংফম লৌদুনা লৈবা ঙমই। অদুগা অসুম্না শাইদাংফম লৌবা মতমদা অকংবা লৈবাক ওইরবদি থা ২০ ফাওবা হিংই অদুগা চোৎ চোৎ লাওবা লৈবাক ওইরবদি থা ৫-৮ ফাওবা হিংবা ঙমই।

লায়না অসি তাবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক FYM 12.5t/ha নৎত্রগা Green Manure 6.25 t/ha চাংদা হাপ্পীদুনা লায়না অসিগী মহিকপু নমথবা ঙম্বা মখলগী অহিংবা জীবশিং হেনগৎহন্দুনা লায়না অসিবু থোকহনগদবা মহীকশিংগী মশীং হন্থহনবা য়াই। হার কা হেন্না শীজিন্নবীদবা মপূং ওইনা নাইট্রোজেন য়াওবা হার, কা হেন্না কুংনা থাবীদবা, লায়না অসি তাবা লৌফমদগী লায়না অসি তাদ্রিবা লৌফমদা ঈশিং থাজিনবীদবা, লায়না তাখিবা লৌফমগী চরুখোকশিং মৈ থাদোকপীবগা লোয়ননা কালেনগী মতমদা লৈচং খোইদোকপীবা/লায়না অসিগীদমক হীদাক কাপথোকপীগে হায়রবদি লৌফম অদু অহানবদা ঈশিং য়ারিবমখৈ থাদোকপীগনি অদুগা Hexaconozole 5% SC নৎত্রগা Propiconazole 25% EC মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবিরগা কাপথোকপীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১০০গী চাংদা কাপথোকপীগনি।

ফৌ চরোং মরৈ তম্বী লায়না (Sheath Rot; Saro Cladium Oryzae) : লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ফৌনানা য়োমশিন্দুনা লৈবা ফৌ চরোংশিং লিৎথোকপা ঙমদবা, করিগুম্বা লিৎথোক্লবসু মপূং ফানা মরূ হনবা ঙমদবা নৎত্রগা মরূ হল্লবা মরূশিং অদু চুম্নগী ফৌ অমগী ওইফম থোকপা মচু অদু ওইদদুনা মরাং মরাং লাংবা থেংনবীগনি। লায়না অসি লায়না চেনবা মরূদগী শন্দোকপা মখলগী লায়নানি। কোকফাই মখল অসি পান্বীগী লেমহৌখাকশিংদা ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌফমদা লৈহৌই অমদি মথংগী চহীশিংদা অমুক শন্দোরকই। লায়না অসিগী কোকফাই মখল অসিনা ফৌ চরোং য়োল্লিবা খ্বাইদগী মথক থংবা ফৌনাগী মখোক্তা পুমথহল্লি অমদি ফৌ চরোংশিং অদু লিৎথোকপা ঙমহন্দে। কোকফাই মখল অসি ২০-২৮°সীগী অঙ্গৈং অশাদা হেন্না হৈনবা মহীকনি। লায়না অসি ফৌ কুংনা থাবা, ফৌনাদা অশোক অপন য়াওদুনা কোকফাই অসিনা চংবদা লায়বা নৎত্রগা ফৌনা অসি তম্বা মতমদা (P1 Stage) ময়োল চিকপীগুম্বনা নাখিবা লৌফমদা লায়না অসি তাগল্লি।

লায়না অসিনা তাবগী চাং হন্থহন্নবা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লায়নানা শোকহনখ্রবা পান্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং মপূং ফানা মাঙহনবীগদবনি। ফৌ পান্বীশিং কা হেন্না কুংনা থাবীরোইদবনি। ফৌ মচা পোকপগী হার চাইবীবা মতমদা পোটাস খরা হাপ্পীবনসু লায়না অসিদগী খরমখৈদি হন্থহনবা ঙমই। লায়না অসিগী কোকফাইনা শাইদাংফম লৌগদবা নাপীশিং য়ারিবমখৈ মাঙহনবীগদবনি। লায়না মখল অসিগীদমক শীজিন্নবা য়াবা হীদাক্তি Prppiconozole 25%, EC মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা কাপথোকপীগদবনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১০০ কাপ্পীগনি।

Bacterial Leaf Blight (Xanthomonas Oryzae pv Oryzae) : ফৌনাগী মতোন অমসুং ফৌনাগী মতাই থংবা শরুক্তগী কমলা মচু মান্না লংখৎপা মচুগা লোয়ননা ফৌনাশিং অদু ঙাংশিল্লক্কনি। অসুম্না ঙাংশিল্লক্লিবা অদু ফৌনাগী মতোন অমদি মতাই থংবা শরুক্তগী হৌরগা ফৌখোক অমদি ফৌনাগী ময়াই থংবা শরুক্তা তপ্না তপ্না শন্দোরকই। করিগুম্বা মতমদা ঙাংশিল্লক্লিবা শরুক অদু য়েংবদা ইংলিস ময়েক ভি হায়বদু ওন্না তৈননা লৈবা মাল্লি। লায়না অসিনা শোকহল্লবা পান্বী/নাপীশিং লৈবা মফমগী অকোয়বদা হৌবা পান্বীশিংদা লায়না অসি শন্দোকই। নুংশিৎ কন্না শিৎপগা লোয়ননা নোং লেপ্তুনা চুবা মতমদা লায়নানাবা পান্বীদগী থাদোরকপা মহীশিং অদু অতোপ্পা পান্বীশিংদা চংখ্রগা লায়না অসি শন্দোকই। লায়না অসি ২৫-৩৪°সী শাবা অমদি নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংনা ৭০গী মথক্তা লৈবা মফমদা তোয়না নাগল্লি। লায়না মখল অসি ফৌ পান্বীবু য়াম্না শাথিনা মাঙহনবা ঙম্বা লোয়ননা ফৌগী চাথোক চাদা ৭৫ ফাওবা য়ৌনা হন্থহনবা ঙম্বা লায়নানি।

লায়না অসিনা শোকহল্লবা ফৌনাশিংদা করিগুম্বা মতমদা অয়ূক অঙনবদা শঙ্গোম মচু মানবা লিক্লা মরীক-মরীকশিং লৈবা থেংনগনি। লায়না অসি লৈরে হায়বসি খঙবীরগে হায়রবদি লায়না অসিনা শোকহল্লবা ফৌনা খরা ব্লেদ নৎত্রগা কাটিগী মতেংনা থৎলো অদুগা লৈতেম মান্নবা গ্লাসকী লৈমায় অমদা থল্লবা মতুংদা পান্বীদগী ককথৎলক্লিবা ফৌনাগী শরুক অদুদা অরুবা ঈশিং মরীক অমা অনীদং থাদবীয়ু, ঈশিংশিং অদু ঙাইহাক্কী মতুংদা শঙ্গোম মচু ওল্লক্কনি। ফৌনা অদুদা য়াওবা বেক্টেরিয়াশিং অদু মপান্দা থোরকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং অদু শঙ্গোম মচু ওইরক্লিবনি।

লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হারগী খল চানা চাইবা, মপূং ওইনা নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিং, ঈশিং তুংদুনা লৈগনবা লৌফম ওইরবদি, ঈশিং থাদোক থাজিন য়ানবা শেম্বীবা। লায়না অসিনা শাইদাংফম লৌগদবা নাপীশিং খোকমন ওইনা হৌবা নৎত্রগা মমাঙ চহীদা কেলহৌবা মরূনা হৌবা ফৌ পান্বীশিং মাঙহনবীগদবনি। ফৌ থাদনা লৈবা মতমদা লৌফম অদু নিংথিনা কংহন্দুনা লৈবাক্তা অমদি পান্বীগী লেমহৌখাকশিংদা লৈহৌবা মহীকশিং মপূং ফানা মাঙহনগদবনি। করিগুম্বা হীদাক শীজিন্নরগা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপীগে হায়রবদি Streptomycin নৎত্রগা Tetracycline য়াওবা নৎত্রগা অনীমক পূন্না য়াওবা হীদাকশিং গ্রাম ১.৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা নুমিদাংৱাইরমদা কাপথোকপীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা অসিগুম্বা হীদাক অসি গ্রাম ৬ শীজিন্নবীগনি। মসি নৎত্রগা Kocide হায়রিবা হীদাক অসি গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হায়রিবা হীদাক অসি গ্রাম ১০০ ফাওবা কাপ্পীবা য়াই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।